# থাংমৈবন্দদা দি এম সী টি ঈগী এন্যুএল কম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেন্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন (দি এম সী টি ঈ) ইম্ফালনা চহী খূদিংগী নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাকপা এন্যুএল কম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেন্সন প্রোগ্রামগী ঙসি অহানবা নুমীৎকী ওইনা থাংমৈবন্দদা লৈবা লিলাসিং খোংনাংখোং হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে হায়না দি এম সী টি ঈগী কম্যুনিটি কন্টেক্ট প্রোগ্রাম ২০২২গী প্রোগ্রাম ইন-চার্জ ডা. সী ঐচ তোম্বগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি এম সী টি ঈগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, লিলাসিং খোংনাংখোং হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ঙারিয়াম্বম শান্তিবালানা থৌরম মপু অমদি দি এম সী টি ঈগী এসোসিয়েট প্রোফেসর কে ঐচ দিনেশকুমারনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না ষ্টুদেন্টস টিচর ট্রেনিশিংদগী হাউস মঙা খায়দোক্তুনা স্কুলশিংগী মনুং অমদি ক্লাসরুমশিং য়াওনা লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা শিৎ-শেংখি। স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা শীজিন্নবা বোয়, কলম য়াওনা লাইরিকশিং ওজাশিংনা য়েন্থোকখি। স্কুল অসিগী ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তম্বীবদা শীজিন্নবা টিচিং এইদশিংসু খুদোল তমখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না ওজাশিংনা কম্যুনিটি লেভেলদা লৌগদবা থৌদাং অমদি ময়ামগীদমক করিগুম্বা খরা তৌনবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা প্রোগ্রাম অসি শীনবনি হায়না কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রোগ্রাম ইন-চার্জ ডা. সী ঐচ তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০গী মখাদা স্কুলশিংগী ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা অনৌবা টিচিং মেথদশিং তাকপীনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা য়াওনা স্কুলসিনা তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং পীবা য়াওনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা কম্যুনিটি কন্টেক্ট প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

থাংমৈবন্দগী লিলাসিং খোংনাংখোং হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না কোলেজ অসিগী ফেকল্টি মেম্বরশিংনা স্কুলগী ওজাশিংদা রোল ওফ টিচর ইন স্কুল এদ্যুকেসন, এন ঈ পি ২০২০গী মখাদা য়াওরিবা অনৌবা নোর্মশিং লোয়ননা ভোকেসনেলাইজেসন ইন স্কুল এদ্যুকেসন, স্কিল এদ্যুকেসন অমদি ভেল্যু বেজ এদ্যুকেসনগী মরক্তা লৈরিবা তঙাইফদবশিংগী মতাংদসু কুপ্পা নৈনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা টিচিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিং য়াওনা হাউস ইন-চার্জশিংগা লোয়ননা ষ্টুদেন্টস টিচর ট্রেনিশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

# সোসল ইম্পৱারমেন্ট অমসুং ইনক্লুজন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙনা শীন্দুনা ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা 'সোসল ইম্পৱারমেন্ট এন্দ ইনক্লুজন' প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা ক্লাস টেন পাস তৌরবা দিফরেন্টলি এবল্ডশিংবু এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখিবগা লোয়ননা আর্টিফিসয়েল লিম্ব, মখোয়গী এইদস অমদি এপ্লাইয়েন্সশিংসু য়েন্থোকখি। অদুগা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মোদেল অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১৬সু ওনলাইনগী খুত্থাংদা শঙ্গাখি।

থৌরমগা মরী লৈননা দিরেক্টরনা শেল পায়বা, ইনকম টেক্স থীরিবা অমদি শেন্থোক লৈজবা, স্কিমগী মথৌ তাদবা মীওইশিংনা লেম্নবু পীবীরবদি লৌগনি হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। মসিগী মহুৎতা লেম্না লৈথোকপীয়ু। স্কিম হায়বা অসিদি শেন্থোক লৈজদবা মীয়ামশিংগীনি হায়খি। লৈঙাক্কী স্কিমগী চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা লৈঙাকসিনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া ফংদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীরি হায়নসু দিরেক্টরনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

# মিলিমা সিনহা নীংশিং মনা ক্ষেত্রি বীরদা পীরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বি এম এস এস)না চহী ২ খূদিংগী ওইনা মণিপুরী লিটরেচর অমদি কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শক্লাইরবা মীশক অমদা পীবা নিলিমা সিনহা নীংশিং মনা ২০২২ মণিপুরগী ককচিং সুমাক লৈকায়দা লৈবা শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ক্ষেত্রি বীরদা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।



বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বি এম এস এস) কী প্রসিদেন্ট এ কে সেরামনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০১৭তগী হৌদুনা চহী ২/২ লৈরগা পীদুনা লাকখিবা মনা অসি চহী অসিগী ওইনা শক্লাইরবা অইবা ক্ষেত্রি বীরদা মহাক্লা মণিপুরী খোরিরোলগীদমক হোৎনদুনা লাকখিবা কয়া অদুবু মশক খঙবা ওইনা মনা অসি পীনবা লাউথোকপনি। মনা অসি চহী অসিগী লাক্লিবা নবেম্বর ৪দা বাংলাদেশকী সিলহেটতা পাঙথোক্কদবা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী ইন্টরনেসনল মণিপুরী লিটরেরি কনফরেন্সতা লান্থোক্কদবনি হায়রি।

বি এম এস এসনা পীগদৌরিবা মনা নিলিমা সিনহা নীংশিং মনা অসিদা শেল ওইনা টাকা লিশিং ১০ (বাংলাদেশকী শেল) য়াওগনি। লোয়ননা মীওই ২গী হঙ্গৎ-হন্দা চৎপগী অচঙবা শেনফমসু বি এম এস এসনা পীগনি হায়রি।

# নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি, নম্বোলনা শীন্দুনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৩গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাইখোম চন্দ্রকান্তনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা মৈরা অমদি হৈ-লৈ কৎতুনা নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎকনি হায়না এন বি সী সীগী প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অথৌবশিংগী কুমওন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : পব্লিক লাইব্রেরী, স্পোন্সর্দ বাই হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্ট সেন্টর ময়াং ইম্ফাল অমদি মালেমগী য়েলহৌলোল অফোং লূপ, ময়াং ইম্ফাল মাইবম অনীনা খুৎশম্নদুনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৩, থাংজ নুমীৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা অথৌবশিংগী নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না মালেমগী য়েলহৌলোল অফোং লূপ, ময়াং ইম্ফাল মাইবমগী প্রসিদেন্ট শগোলসেম ইবোপিশক্কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা অথৌবশিংগী নীংশিং কুমওনগী থৌরম অসিদা নিংথেম সনায়াইমা, লাইশ্রম মেমো অমদি প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি অথোইবা লেংবীরকপনা লুচিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা হৌদোক্কনি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা নিংথেমচা হাইমোমনা ইবা লোই থাখ্রবা মণিপুর কৌবা লাইরিক অমসু ফোঙগনি। লাইরিক অসিগী মরমদা সলাম তোম্বনা ৱা ঙাংগনি। লোয়ননা থৌরম অসিগী মনুং চন্না অহানবা পব্লিক লাইব্রেরী ঈশৈ শৈরেং মনা ২০২২সু লান্থোক্কনি। মনা ফংগদবী খাঙেম্বম ইবেতোম্বীগা লোয়ননা কব্রাবম তোম্বীতোনসু ঈকায় খুম্নবা উৎকনি হায়সু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লৈঙাক য়াওনা থাখিবা উ চারা পাম্বীশিং হিংহন্নবা খোঙথাং পায়খৎহন্নিংই : কে রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা উ চারা লাখ ৭৫ থানবা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসি পুম্নমক্লা সপোর্ট তৌরি। অদুবু থারক্লিবা উ চারা পাম্বীশিং অসি হিংহন্নবা খোঙথাংসু পায়খৎহন্নিংই হায়না শুগনু এ সীগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী মীৎয়েং মখাদা থোঙাম মোন্দুম রেঞ্জকী মনুং চনবা শুগনু এ সীগী য়েল্লংবা ৱাইথৌপোকপী চীং, ৱাঙু নরান চীং, উয়ুং পরেং শাবী চীংশিংদা উ চারা লিশিং ৫ থানবা পান্দম থমদুনা মশামক য়াওনা উ চারা থাবা হৌখিবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

দিভেলপমেন্ট কম্মিটি ৱাঙুনা শীন্দুনা ৱাঙু হৈনৌয়াম, ৱাঙু লাইফম অমদি ৱাঙু ৱারুকোক্কী য়াল্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা এম এল এ রঞ্জিৎনা মখা তারদুনা হায়খি, ঙসিদি শুগনু এ সী অসিগী মফম কয়াদা মতম -মতমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা উ চারা কয়া থাখ্রে। থারিবা উ চারা পাম্বীশিং অসি কন্দবা য়াদে হায়দুনা এ সী অসিগী মীয়ামগা পুন্না উ চারাশিং অসি কন্দুনা লাকপনি। থাখিবা উ চারা পাম্বীশিং ঙসিদি মপুং মরৈ ফাবা উ পাম্বী কয়া অমা এ সী অসিদা উবা ফংলে। মহৌশাগী অশেংবা নেচর অদু উবা ফংলে।

অমরোমদা, উ থাবদি য়াম্না লায়, অদুবু লুরিবদি উ চারাশিং অসি মপুং মরৈ ফানবা হোৎনবা অদুনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লসু হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা উ থাবগী থৌরম অসি সপোর্ট তৌবা ওইনা অমদি হোংলক্লিবা অঙ্গং-অশা অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্লুবা হায়দুনা মফমশিং অসিদা ঐগী এ সী অসিগী মীয়ামগা লোয়ননা উ চারা লিশিং ৫ থানবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি চঙশিল্লকপনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিভেলপমেন্ট কম্মিটি ৱাঙুগী সেক্রেটরি অমোম দিলিপনা ফোঙদোকখিবদা, এ সী অসিগী এম এল এগী পাউতাক্কী মতুংইন্না উ চারাশিং অসি থাবনি। লমদম অসিগী মীয়ামগা পুন্না খুৎশম্নদুনা হায়রিবা চীংশিং অসিদা হৌরিবা উ-ৱাশিংসু কন্দুনা লাকখি। হৌজিক হৌজিক হায়রিবা চীংশিং অসিদা শজি য়াওনা শা মখল কয়া লৈরে। মসি লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী মতেংনা ঙম্বনি। মখা তানসু উমং-ৱামং কন্নবগী থবক থৌরমশিং অসিদা মপুং ফানা পাঙথোকমিন্নসি হায়খি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 370/SDC/Bishnupur, 2022**

Teresa Phaomei, W/o. (L) Makujai Phaomei of Lamlanghupi Chothe, Bishnupur Ward No. 12 -Petitioner

-Versus-

Makujai Phaomei, S/o. (L) Phaomei Dun of Lamlanghupi Chothe -O.P

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Bishnupur, the 09/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Makujai Phaomei, S/o. (L) Phaomei Dun of Lamlanghupi Chothe দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur Kha পাট্টা নং 28 (অরিবা) 990/1355 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 313/4378 (Shet-1) গী 0.16 চাওবা ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/3636/10

***ADMISSIONS OPEN***

FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !**

**STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE**

*** COURSES OFFERED: ***

**(1). BDS Fees Structure :** 16 Lakhs Package.

**(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :**
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.

**(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :**
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.

**(4). B. Pharmacy Fees Structure :** 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.

**(5). MSc Nursing Fees Structure :** 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.

**(6) GNM Fees Structure :** 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).

**CONTACT US: 8310788408, 9362331862.**

**REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Moirang Leirak, Imphal.**

HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31, Sept

লৌশিং পুক্কে

# কালা নমক

## (ইন্দিয়ন ব্লেক সোল্ট)কী কান্নবা খঙজিনসি

কালা নমক, নৎত্রগা সঞ্চাল হায়নসু খঙনবা ইন্দিয়ন ব্লেক সোল্টনা মীওইবগী হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়না অয়ুর্বেটিক মেদিসিনগী লমদা খঙ-হৈরবশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। হিমালয়ান চীংশাংগী অকোয়বদা লৈরিবা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা চহী চা কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাক্লবা কলা নমক্তা কান্নরবা মিনরেল কয়ামরুম য়াওই। কালা নমকতা মরুওইনা য়াওরিবসি সোদিয়ম ক্লোরাইদ, সলফেট, সলফাইদ, আইরন অমসুং মেগনেসিয়মনি। অয়ুর্বেদিক্কী হীদাক লাংথক শুংবদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরিবা কালা নমকনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, চাবা তুমদবা, থবাক শাবা, পূক নুংশিৎ কাবা, গোইটর, পূক কংখৎপা, মীৎ নুংঙাইতবা অমসুং হিষ্টিরিয়ানচিংবা লায়না কয়া ফহনবা ঙম্মী হায়না 'হর্বস দেট হীল' কৌবা লাইরিক অমদা ময়েক শেংনা ইরি।

থুম চাবা য়াদবা হাইপরটেন্সনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা মীওইশিংনা ইচম চম্বা ময়াম্না শীজিন্নরিবা থুম চাবগী মহুত্তা কালা নমক চারবদি হকচাংদা থোইদোক্লা অকায়বা থোকহন্দে। চতনি, অচার অমদি সলাদনচিংবদা হাপ্পরিবা কালা নমকপু কালেনগী শারবা মতমদা অঙৈংবা মহীদা য়াল্লগা থকপা কান্নে। কা হেন্না হুমাং শৌবা মতমদা হকচাংদগী সোদিয়ম কয়া মাঙখি। চম্প্রা মহীদা কালা নমক থীৎলগা থকপা মতমদা মাঙখিবা হকচাংগী সোদিয়মগী শরুক পুম্নমক মেনখৎপা ঙম্মী।

পামজবা এনসাং খুদিংমক থুম থাক্তবদি মহাউ য়াওদে। কাংশোইবু ওইরবসু, ইরোম্ববু ওইরবসু নৎত্রগা ঙা থোংববু ওইরবসু থুম থাক্তবা য়াদে। কনাগুম্বা মীওই খরদি তোখায়না চাকলুক মপান্দা থুম হাপ্লগা চাবসু য়াওরিবনি। অদুবু সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চথখিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি খরগী মতুংইন্না য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা শীজিন্নরিবা থুম (কম্মন সোল্ট) না মীওইবদা পেরালাইসিস, থাইরোইদকী প্রোব্লেম, ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল শোন্থহনবা অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংহনবনচিংবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহনবা য়াই হায়রি।

অদুবু ইংলিস লোলদা হিমালয়ান সোল্ট নৎত্রগা হিমালয়ান রোক সোল্ট নৎত্রগা ব্লেক সোল্ট, হিন্দীদা কালা নমক অমসুং টামিলদা ইন্টুপু হায়না খঙনবা থুম মখল অসিনা মহুৎ শীল্লবদি থুমগী চপ চাবা মহাউ ফংবগা লোয়ননা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম ফংই।

চাকখাউগী হীদাক শেম্বদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরিবা কালা নমকনা চাবা তুমহনবগা লোয়ননা পূক নুংশিৎ কাবা ফহল্লি। খোঙ হাম্বসু চাং নাইহল্লি। ইন্টেষ্টাইনগী অশোয়বা লৈবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরিবা মীওইশিংনা কালা নমক শীজিন্নরবদি অৱাবা পুম্নমক কোকহনবা ঙম্মী। মীয়াম্না শীজিন্নরিবা আইওদাইজ সোল্টনা ঈদা সোদিয়মগী চাং হেনগৎহল্লি। মদুগী মথক্তা সলফরগী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না পূক নুংশিৎ কাহল্লি অমসুং চাবা তুমহন্দে।

ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা ময়াক কনবা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওবা সাপোননা উনসা শোকহনবগা লোয়ননা খোঙ-খুৎ কায়বা, খোঙ পোমখৎপা অমসুং মশল নাবনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম ওইহল্লকই। অদুবু লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংদা কালা নমক হাপচিল্লগা ঈরুজরবদি খুদোংচাদবা অসি কোকহনবা ঙম্মী। মীপুম খুদিংমক পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা শম কেনবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে। হীরম অসিগী মতাংদসু কালা নমক্কী চন্নফম লৈ। হকচাংদা কান্নরবা মিনরেল কয়ামরুম য়াওরবা থুম মখল অসিনা শম হৌহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা লুপৌ লৈবা অমদি শমদোন পোকখায়বা ফহল্লি। কনাগুম্বনা লুপৌ লৈবা অমসুং শমদোন পোখায়বগী অৱাবা মায়োক্লরবদি নুমীৎ খুদিংগী খামেন অশিনবা মহীদা কালা নমক য়ানশিল্লগা থকপদা অৱাবা পুম্নমক কোকখিগনি।

য়ুমথোঙ খুদিংগী শীজিন্নরিবা আইওদাইজদ সোল্টতা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোটাসিয়ম আইওটেদ অমসুং এলুমিনিয়ম সিলিকেট য়াওবা মরম্না চাউখৎলবা লৈবাক অয়াম্বদা শীজিন্নবা থিংখ্রে। মদুগী মহুত্তা অরথ্রাইটিস, পেরালাইসিস অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী অৱাবা কোকহনবগা লোয়ননা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কলহল্লি হায়বগীদমক কালা নমক ওইনা শীজিন্নরে। কনাগুম্বনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নিংলবদি থুম অঙৌবা শীজিন্নবা তোক্লগা কালা নমকনা মহুৎ শিনজিনবা কান্নগনি। তাঙ-তাঙ নাবদগী লেঙবা ওৎপা ঙমদ্রবা মীওইশিংনা কালা নমক খরা ফিদা য়োম্লগা মৈশা ফংহল্লবা মতুংদা হীগা য়ৈরবদি কান্নবা ফংগনি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হৌজিক সোল্ট থেরাপি ক্লিনিক কয়া হাংদোক্লরক্লে। নিংশা শ্বর হোজিনবদা থুমগী মনিল য়াওখ্রবদি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম ফংই। মসিগী মরুওইবা খুদম হায়ববু থুম পেকফম (সোল্ট মাইন) দা থবক তৌবা শিন্মী অমত্তা নিংশা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না নাদবা হায়বসিনি। ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংখৎলকপা মতমদা হার্টনা মথৌ তৌবগী মওংদা অহোংবা থোরক্তুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকই। চাং নাইনা কালা নমক শীজিন্নরবদি ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা এথরোস-ক্লোরোসিস, হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হন্থহল্লি। কালা নমকনা সেরোটোনিন অমসুং মেলাটোনিন কৌবা হোর্মোন মখল অনীগী খল কায়হন্দবা মরম্না পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা নুমীদাং তূম্বা নুংঙাইহল্লি। মতৌ অসুম্না কালা নমকসু দিপ্রেসন মখল খরা লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াই।

ইন্সুলিন কৌবা কেমিকেল মখল অমনা মীওইবগী ঈদা য়াওবা সুগরগী লেভেল কন্ট্রোল তৌই। ইন্সুলিন ব্লদ সুগর কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মপানথোংদগী ইন্সুলিন কাপ্পা মথৌ তাই। অদুবু চাং নাইনা কালা নমক শীজিন্নরবদি ব্লদ সুগর কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# জিরিবামদা কংলৈপাক বেম্বু ইন্টরপ্রাইজেস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : ডা. প্রিয়ালক্ষ্মী গুরুময়ুম, সলাম এদ্দেন প্রোপ্রাইটরগী কংলৈপাক বেম্বু ইন্টরপ্রাইজেস ঙসি জিরিবাম লতিংখল পার্ট টুদা রিবন কক্তুনা হাংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কংলৈপাক বেম্বু ইন্টরপ্রাইজেস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা উপ-অধক্ষ্য জিলা পরিষদ টি ঐচ সোমোরজিৎ, কৃষ্ণকুমার শর্ম্মা, এস দিলিপকুমার অমদি মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী চ্যেরমেন কে শরতকুমারবু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী চ্যেরমেন কে শরতকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবামদা অহানবা ওইনা কংলৈপাক বেম্বু ইন্টরপ্রাইজেসনা জিরিবাম লতিংখল অসিমক্তদা কন্না হোৎনদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়ৌবা ঙম্বনি। লোয়ননা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

কংলৈপাক বেম্বু ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর ডা. প্রিয়ালক্ষ্মী গুরুময়ুমনা থৌরমদুগা মরী লৈননা হায়, হৌজিক হৌজিক নোংমদা কে জি ২০০ রোমগী ষ্টিক পুথোকপা ঙম্লে। মখা তানা নোংমদা কে জি ৫০০ পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দম থল্লি। কংলৈপাক বেম্বু ইন্টরপ্রাইজেস অসিগী মনুং চন্না লমদম অসিগী মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙম্বদা নত্তনা ইরমদম অসিগী পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই। অসিগুম্বা থবকশিং অসি মীয়াম্নসু পাঙথোকপীয়ু হায়খি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৮।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা;
থৱানগী ১৩ নি পানবা।

**মেষ:** অফ-ফত্ত য়ান্নবা নুমিৎনি। নচাক নরল, মীয়ামগা লৈনবা মরীদি ফগনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবা, হুরানবনা তাথিবদি লৈগনি। মরুপ খনবা হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** য়েক্লবা লৈরম্লসু হন্থখিনি, মরুপ মপাং অফবা ফংজৈ অমদি মীনা থাগৎনফম ওই। ইমুং মনুং ৱাখল তানবা ৱাৎপা অমদি ফিংবনা কায়নবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** শেন্দোং চাওনা ফংগনি, লেংদবা লন চাওখৎক্কনি। অরং-অরাক ফংবৈ নুংঙাইজবা, ঙাংথোকপদা পকচবা, য়েক্লবনফাওবা তেংবাংবিবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কর্কট:** অনৌবা ৱাখল্লোন্না পাঙবা থবক খুদিং লায়না মায় পাক্কনি, অচুম্বনা মাঙওইনরদি নথক থোংবনসু চানবীগনি। য়েৎনবা অমদি হন্থবা লোয়নবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** য়াম্না শাজৎ হৈগদবা অমদি তহা-তহাবা য়াদবা নুমিৎনি। য়ারবদি অরুবা থবক য়ৈথোকউ নত্রগনা মরুপ লোয়নবা অমদি নথক থোংবগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কন্যা:** অফবা থবক পাঙবা, হকচাং খিংবা, মীনা ইকাই খুম্নবীবা ফংগনি। ওইজবা তানবদা নিংহন্নগনু, ইচং থৌবনা শোয়দনা কান্নগনি। শাওগৎপদি ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** খোইরাং-খোইশাওবা অমদি ফিংদ্রবদি লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। লাইগুরুনা চানবীগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** অফবা মফম অমদি মরুপ ফংগনি। য়েৎনরম্বা কোকচগনি, খাঙবা কনবৈ অফবা মহৈ ফংজগনি, অচুম্ববু ঙন্বীনবা লৈরোই। মরম চাদনা হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**ধনু:** ওইজবা য়াম্না ফংগদবা, য়েক্লবা লৈরসু ঙমজবা নুমিৎনি। অরুবা থৌরমদদি অখং অহৈ তান্নৌ, নোল্লুক্লা চৎপনা নথক থোংবনা হেন্না চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** ৱানোম থৌনোম কান্নবা, তুংগী পোরম শিন্দোকপা হৈবা, য়েক্লবৰু লাকশিনবা অমদি মী শুম্নবা ঙাং-হৈবা নুমিৎনি। নচাক নরলদি চেকশিঞ্জৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** পাংঙমদবা থবক অনৌবা ৱাখল্লোন্না ফংবা, লান্দবনা অহেনবা লৌশিং শিজিন্নদুনা লেংদবা লন তানশিনবা ঙম্বা অফবা নুমিৎনি। হন্থবদা লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙাং চেকশিনদ্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিন:** পংথদ্রদি নরল মাঙলোই অমদি লৌশিং চাওবগী ৱা কাওগনু। মীয়ামগী মতেং ফংবা, ৱাখল খন্থরগা পাঙলদি পাংঙমদবা থবক লৈতবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTIFICATION**

Imphal, the 08th August, 2022

N0.12/PMS-FORMS/2012-TA&H: The Department of Tribal Affairs & Hills. Manipur invites online applications for availing **Pre-Matric Scholarship** (reading in Classes-IX & X) and **Post-Matric Scholarship** from the desirous eligible Scheduled Tribe students belonging to Manipur State whose parents'/ guardians' annual income does not exceeds Rs.2,50,000/- pursuing their studies in the Govt./ Govt. recognised schools / institutions / Universities in India for the Academic Session of 2022-23.

2. Since, the Government of Manipur has started implementing these schemes under National Scholarship Portal (NSP 2.0) on Direct Benefit Transfer (DBT) mode through Public Fund Management System (PFMS) with effect from 2019-20, the intending applicants for the year 2022-23 should apply on online mode only through **National Scholarship Portal** (NSP 2.0) in the Website www. scholarships.gov.in

3. **The online application for the academic session of 2022-23 will be activated from 12th August, 2022. The last date for online submission details are as given below:**

| Category | Scheme closing date | Institute verification last date | District level verification last date | State level verification last date |
|---|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) | (5) |
| (a) Pre- Matric | 15/10/2022 | 31/10/2022 | 21/11/2022 | 31/12/2022 |
| (b) Post -Matric | 15/10/2022 | 31/10/2022 | N/A | 31/12/2022 |

**Sd/- Hungyo Worshang**
Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL/B/7791/10, 11